# গ্রীন হাওস গ্যাস - শা-ষণগা লৈনরিবা মরী

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

*লমদম* অমগী অঙৈং অশা, নোংজু-নুংশা অমদি নুংশিৎকী ফীভম্না লৈবাক লৈহাও, মনা-মশিংগী পোখোক্তা অমদি শা-ঙাগী পোখোক্তা অহোংবা কয়া পুরকই। গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বসি মালেমগী অশাবা হেনগৎলকপবুনি। মালেমনা নুমিৎতগী ইনর্জি লৌদুনা মালেমদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক লুম্না থল্লি। মসিদসু নত্তনা অইং-অশা কায়দনা থম্নবা মালেম্নসু ইনর্জি খরা পুথোকপা মথৌ তাই। মালংদা য়াওরিবা গ্যাসনা মালেমদা কোয়শিন্দুনা সোলর রেদিএসন চৎহন্দনা ফাজিনবা ঙমহল্লি। হায়রিবা গ্যাস অসিবু গ্রীন হাওস গ্যাস হায়না খঙনৈ। মসি য়ামখৎলক্লগদি মালেমদা হেন্না শাগৎলকপগী মচাক অমা ওইরি। হায়রিবা গ্রীন হাওস গ্যাস (কার্বোন-দাইওক্সাইদ, মীথেল, নাইত্রস ওক্সাইদ, ঈশিং মনিল, ক্লোরোফ্লুরোকার্বোন) অসি খূৎশেমগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা শাগোন্নরকপসু য়াই। গ্রীন হাওস গ্যাসতা য়াওরিবা ঈশিংগী মনিলসি শাগোন্নরকপনিনা মালেমগী শাবগী চাংসি খরমখৈদি শেন্নরগা থম্বা ঙম্মী। গ্রীন হাওস গ্যাস য়াওদ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক নেমখিদুনা মীওইবা অমদি জীব পানবা খুদিংমক হিংবা ঙমদে। অদুগা করিগুম্বদা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাং ৱাংনা লৈখ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাংখিদুনা থক-খা ওন্নবগুম অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং হোংলকপা কয়া অমা মায়োক্লগদৌরি।

*অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা ষণগী পোখোক্তা চাথোক মরি থোক্লা অকায়বা পীরি।*

*মখোয় অদুদি :-*

- শা-ষণগী মচিঞ্জাক ফংনবা অমদি মমলদা অহোংবা লৈরকপা।
- শা-ষণনা চানবা অফবা মখলগী শজিক থাবীবা অমদি লৌবুক লম্ধাংদা হৌরিবা শজিক খুদিংমক্কী পোখোক অমদি শজিক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিদা অহোংবা কয়া লৈরকপা।
- অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা শা-ষণদা লায়না তীলনা শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং পাংই।
- কা হেন্না অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপদা শা-ষণশিংগী শারেপ ফাননবা হোৎনবদা, চাগোকপদা অমদি হকচাংগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবদা অহোংবা কয়া লৈহল্লি।

*গ্রীন হাওস গ্যাসকা শা-ষণগা লৈনরিবা মরী :-*

- শা-ষণদা পীজরিবা শজিকশিং থাবদা হার ময়াম অমা চঙই। হায়রিবা হারসি শেম্বদা ফোসিল ফিউরেল কয়া অমসু চঙই। হায়রিবা ফোসিল ফিউরেলসি শীজিন্নবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা পুথোরকই। অসুম্না চাংচত্তা চহী অমদা মিলিয়ন টন ৪০গী কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকই।
- শা-ষণনা চানবা শজিক থানবা অমদি মখোয়না লৈনবা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মৈ থাবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না পুথোকই।
- শা-ষণনা চাশিল্লিবা মচিঞ্জাকশিংসি মথং মনাও নাইনা তুম্নবা হোৎনবদা মাইক্রোবিএল ফর্মেন্টেসন তৌদুনা মীথেল গ্যাস পুথোকই। হায়রিবা মীথেল গ্যাসসি শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক অমদি মখোয়না তুম্নবা হোৎনরিবা প্রোসেস অদুগী মতুং ইল্লি। শা-ষণদা চাকখাও মরি পানবা (ষণ, ইরোই, হামেং, য়াও অসিনচিংবা) গা পান্দবগা মীথেল গ্যাস পুথোকপগী চাংদম্নবদা চাকখাও মরি পানবদনা হেল্লি। চাকখাও মরি পানবা শাশিংদি অয়াম্বনা শজিক্লা নম্না চাই। মফোনগী শরুকসু চাই অদুবু নোংমদা ষণবী অমনা য়ামদ্রবদা কেজি ৪০গী শজিক্তি চাবা ঙম্মী। মখোয়না চাশিনখ্রবা মতুংদা অমুক ঙাইহাক পোখারগা থকলোমদা হাইদোরকপা মতমদসু মীথেল গ্যাস অসি পুথোকই। শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিসু মীথেল গ্যাস পুথোকপগী মখা পোল্লি। ক্বালিটি হন্থবা মচিঞ্জাক্তা মীথেল গ্যাস পুথোকপা হন্থহল্লি। অদুগা ক্বালিটি য়াম্না য়াওবা মচিঞ্জাক পীজরগদি মীথেল গ্যাস পুথোকপগী চাং ৱাংই।
- শা-ষণশিংগী মথি ময়ুংশিংসি নুংশিৎ অমসুং ওক্সিজেন য়াওদনা পুমথহন্নবা হোৎনবদা মীথেল গ্যাস পুথোকই। মীথেল গ্যাস পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা বেক্টেরিয়াসি মথি ময়ুংশিংগী টেম্পরেচর অমদি মোইচরগী মখা পোল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণনা চারিবা চিঞ্জাক অমদি মখোয়গী দাইজেষ্টিব সিষ্টেমগী মখাসু য়াম্না পোল্লি।
- শা-ষণগী মচিঞ্জাক অমদি অতোপ্পদগী অকংবা কয়া লেমহৌবনা নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হেনগৎহল্লি অমদি মথি ময়ুং নিংথিনা মেনেজ তৌদ্রগসু নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং ৱাংহল্লি।

মালেম পূম্বগী ওইনা কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকপদা শা-ষণনা চাদা ৯ পুথোকই। মীথেল গ্যাসনা চাদা ৩৫-৪০ ফাওবা পুথোকই অদুগা নাইত্রস ওক্সাইদনা চাদা ৬৫গী চাংদা পুথোকই।

*গ্রীন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাং করম্না হন্থহনগনি ?*

- শা-ষণনা চারিবা শজিক থাবা মতমদা শীজিন্নরিবা হারশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নদনবা হোৎনবা।
- য়ারিবমখৈ মফোনগী শরুক্লা নম্না পীজবগা লোয়ননা লোকলদা ফংলিবা শজিক ময়াম অমা পীজনবা হোৎনবা।
- ফোসিল ফিউরেল চাং হন্থবা শীজিন্নবা।
- শা-ষরশিংসি শঞ্জাবুংদা থাদোক্তুনা শজিক চাহনবা।
- মথি ময়ুংশিং লমহাংদা চাইথোক্লবনিনা মীথেল গ্যাস পুথোকপগী চাং হন্থহল্লি।
- করিগুম্বা মতমদসু লৈবাক্তগী দি নাইত্রোফিকেসন তৌদুনা নাইত্রস ওক্সাইদ পুথোকই। শা-ষণনা শঞ্জাবুংদা শজিক চাবা মতমদা মথি ময়ুংশিং ফাইদোক্লিবশিং অসি ঈশিংনা নিংথিনা চাইথোক্লগদি নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হন্থহল্লি।

ঐখোয়না গ্রীন হাওস চাং হন্থনবা অমদি তুং কোয়না মতম শাংনা হিংনবা কাঙলোন চুম্না শা-ষণ লোইনবা হোৎনসি।

---

# ইন্দিয়াগী অৱাং- নোংপোক লমদমদা ফংলিবা ঙাংশিং অমদি মখোয়বু মাঙখিগদৌবদগী কলহৌনবা উপাই






ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ

*ইন্দিয়াগী* অৱাং নোংপোক লমদম অসিদা মাঙলিবা ঈশিং ইচমদা লৈবা হৈনবা ঙাগী মশিং অসি অসুমককী মতিক য়াম্মী। লমদম অসিদা লৈরিবা তুরেলশিং অসি মরু ওইনা ঈশিং ঈচেল অহুমগী মনুং চল্লি। মখায়শিং অদুদি (১) বারাক-ব্রহমপুত্র (২) কালাদান অমসুং (৩) চিন্দৱিন অসিনি। মফমশিং অসিদগী অনৌবা ঙা ১০০ রোম হেন্না লৈবাক অসিগী বৈগ্যানিকশিং অমদি অতোপ্পা লৈবাক্কী বৈগ্যানিকশিংনা পুথোকখ্রে অমদি চিন্দৱিনগী ঈশিংদা ফংবা ঙা ৪১ অতোপ্পা মফমদা ফংদে হায়বা খঙবা ঙম্লে। মসিদসু নত্তনা বহমপুত্রগী ঈশিংদা ফংবা ঙা ২৭ অতোপ্পা মফমশিংদা ফংদে হায়বসু খঙবা ঙম্লে। কালাদানগী ঈশিংশিংদি হৌজিক ফাওবা ফজনা থিজিনবা ঙমদ্রি। মথক্তা পঞ্জখিবা ৱাফমশিং অসি মণিপুর য়ুনভর্সিটিদা প্রোফেসর ওইনা লৈরিবা ৱাইখোম বিশ্বনাথনা কুমজা ২০১৭ তা ফোংখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্ননি। কালাদানগী ঈশিং অসিদা ঙা মখল ২০০ রোম লৈরমগনি অমদি ঙা মখল ২০মুক অদুদি অতোপ্পা মফমশিংদা ফংদবা ঙা মখল ওইগনি হায়নসু পান্নরি।

প্রোফেসর বিশ্বনাথনা কুমজা ২০১৭ তা ফোংখিবগী মতুং ইন্না অৱাং নোংপোক ভারত অসিদা ঙা মখল ৩১৮ ফংই। মখোয়শিং অসি জেনেরা ১১৩ গী মনুং চল্লি অমদি ফেমিলিনা ৩৬ নি। ঙা মখল ২২৯ না ব্রহমাপুত্রদা তাবা ঈশিংদা ফংই, ১০৩ না চিন্দৱিনদা তাবা ঈশিংশিংদা ফংই অমসুং ২৭ না কলাদানগী ঈশিংশিংদা ফংই। লমদম অসিদা ফংলিবা ঙা মখল অমা ক্রিতিকেল্লি ইনদেনজর ওইরে, ঙা মখল ১৩না ইনদেনজর ওইরে অদুগা ঙা মখল ৩৪না ভলনরেবল ওইরে। লিষ্ট কনর্সন অমদি ইভালুৱেসন তৌদবা ঙাগী মখলসু অসুক্কী মতিক য়াল্লি। ইভালুৱেসন তৌদবগী মরু ওইবা মরম্না থিজিনবা ৱাৎপগী দেতা ফংদবননি। মরম অদুনা ঙাগী মরমদা থিজিন হুমজিনবগী থবকশিং অসি লমদম অসিদা অসুক্কী মতিক দরকার ওইরি। অৱাং নোংপোক লৈবাক্কী ওইবা পৱার হাউজনি হায়না হায়নরিবা সেন্ট্রেল ইলেক্ট্রিসিতি ওথোরিটিনা হায়বগী মতুং ইন্না ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা প্রোজেক্ট ১৬৮ পায়খত্তুনা ৬৩,৩২৮ মেগৱাটকী ইলেক্ট্রিক্ট পৱার পুথোকপা ঙমগনি তৌগুম্বসুং দাম কয়া তুরেলশিংদা শাবনা মরম ওইদুনা ঙা মখল কয়া মাঙখিবা য়াবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। খুদম ওইনা হায়রবদা ইথাই বেরেজনা মরম ওইদুনা ঙা কয়া তুরেলশিংদা কারকপা ঙমদবনা মরম ওইদুনা অমদি ঙা কয়াগী মরুম কোকফম মাঙহনখিদুনা ঙা কয়াগী মশিং হন্থরক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা পেংবা, ঙাতোন, শরেংখোইবীনচিংবা ঙা কয়া মণিপুরগী ঈশিংশিংদা মরাং কায়না মতম অমদা ফংলম্মী তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মশিং অসি মহৌশাগী ওইবা ঈশিংশিংদা অসুক্কী মতিক হন্থরক্লি। ঙাগী বাইওদাইভরসিটিদা শোকহনবা য়াবা অচৌবা প্রোজেক্ট খুদিংমক মনিং-মখা তৌনা অমদি ত্রান্সপেরেন্ট ওইনা পাঙথোকপা ইনভাইরনমেন্টেল ইম্পেক্ট এসেসমেন্টকী দরকার ওই। অমদি হান্না শাখ্রবা দামশিং অসিসু চেকশিন্না য়েংশিনবা দারকার ওই।

অৱাং নোংপোক ভারত অসিদা ফংলিবা ঙাশিং অসি কলহৌনবা হোৎনহৌদ্রবদি ঐখোয় পুম্নমক্কী ওইনা অচৌবা অমাঙবা ওইরগনি মরম অদুনা য়াম্না থেংদ্রিঙৈ অসিদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা দরকার ওই। হায়রিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎনবগীদমক বৈগ্যানিকশিং, রাজনিৱালাশিং, লৈঙাক্কী অমদি লৈঙাক্কী নত্তবা লোইশঙশিং পুন্না খন্ন নৈনদুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎপগী দরকার ওইরি। থৌরাংশিং অসিগী মখাদা মীচম মীয়াম খুদিংমকপুসু মাঙশিল্লক্লিবা ঙাশিং অসিবু কনবগী দরকার ওইবা অদু খঙহনবা দরকার ওই। মতাং অসিদা পনজনিংবা অমনা ঙাগী মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না ঙাগী কান্নবা অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা চাননবা ওইনা শীজিন্নবা, লৈতেংগী ওইনা শীজিন্নবা, শান্নবগী ওইনা শীজিন্নবা অমদি হীদাক ওইনা শীজিন্নবা অসিনচিংবনি। হায়রিবশিং অসি মীওই খুদিংমক্তা শুগাইনা খঙহনবসু দরকার ওই।

---

## দ্রাইভরগী নুমীৎ জন্যুৱারি ১৪

# দ্রাইভরগী পুন্সি : অৱাবগী মশক্নি

টি ডি ঙাঙোম্বা

দ্রাইভর-মীগী খাদাং মখা থানা হিংবা পুন্সিনি, অদুনা কনাসু দ্রাইভর ওইনিংদে! দ্রাইভরগী পুন্সি য়াম্না পূক্নিং নুংশিনিংঙাইগী ৱারীনি। অদুগা অমরোমদা য়াম্না থৌনা ফবগী পুন্সিনি। মখোয়দা জঙ্গলগী শা-কৈ, শামু-লমশাগী অকিবা লৈতে। লুৎ-পাৎ তৌবা কাঙবু থেংনগনি, মখোয়গী নোংমৈ, থাঙ-তেনগী অকিবা পোক্তে। লম্বী ফত্তবনা খজিক্তং হেক শোয়বগা আ লোকখা য়ৌগদবা, মদুগী থুক্কৎপা, করি অমত্তা লৈবীদে।

অমরোমদা, দ্রাইভরগী পুন্সিবু পুন্সি অমা ওইনা শকখঙবীবা উদে। মখোয় য়াম্না তোন্না হিংই। মাবু কনা অমত্তনা মী অমা ওইনা থানবীদে, করি অমুক হায়গনি, অঙাং মচা অমা ফাওবনসু উশিৎ-থৌওইবীদে। মাগী পুন্সি মমল লৈতবগুম্না লৌনৈ। (কনাগুম্বা দ্রাইভরবু য়াম্না লুনা তৌবীবা, ৱাখল তাবা মীসু লৈতবা নত্তে। লৈ, মদু য়াম্না তাঙনা থোকপগী ৱাতনি।)

মখোয়গী ইমুং-মনুং, নুপী-অঙাং লৈ, মখোয়সু মচা নুংশিবা পোকই, মখোয়না নুংশিরবা মচা-মশুশিং হুন্দোক্লুম্লগা ৱাকচিংগী উনলেন-উনখাক মরক্তা গাড়ী-ষ্টারিং পায়রি। অহিং মিংশেন খাঙনা শানা-কৈনা থল্লবা অসামগী জঙ্গল কয়া ফাওরগা গাড়ী থৌরি, হুরান চিন্থি লুৎ-পাৎ তৌগনবা লম্বীদা মথৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মাল চিংলি, থাও চিংলি। মদুনা লম্বীদা খুদোংথীবা কয়া নংবতা নত্তনা পুন্সি পিখম্নবা কয়া য়াওখিদবা নত্তে। দ্রাইভরগী পুন্সি অৱা-নুংঙাই অনীনা থল্লবা ৱারী কয়া শৈথাবগী লোইবা নাইবা লৈরোই।

ইন্দিয়ানা নিংতম্বা ফংবা ফনা কুইরে, চহী ৭১ শুখ্রে, সোমদা মণিপুরসু ইন্দিয়াদা পুনশিনখিবা নৎত্রগা লৌশিনখিবা চহী ৬৯ হেনখ্রে। ইন্দিয়াগী লম্বী-থোং হৌজিক ফাওবা ফৎতরি। ইন্দিয়াগী লৈতেম মান্নবা ষ্টেট, লম, তম্পাকলম লম্বী থোং চৎনবা য়ানা শেম্বা নত্তনা চীং ষ্টেট, বোর্দর ষ্টেট, লোইয়া লম য়ৌনা শেম্বা উদে। চৎনবা য়াবা লম্বী লৈতে। ইন্দিয়া চীংগী শরুকসু লৈ। অদুবু চীংগী লমদা চাওখৎপগী মমি তাদে। তশেংনা শেমদে হায়বা তাই। মসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী শান্না উবা মীৎয়েং অমা ওইনা করম্না লৌগনি? লম্বী থোং ফত্তনা ইন্দিয়া চাওখৎপা করম্না পুরকপা ঙমগনি? ট্রেন য়ৌদবা ষ্টেট কয়া ভারত্তা লৈরি। ট্রেন য়ৌদে হায়দুনা- কংফাল লম্বী-থোং শেম্বগী ৱাসু লৈতে। ইন্দিয়াগী ময়াইলম মরুওইনা উত্তর প্রদেশ, বিহার, মধ্য প্রদেশ, গুজরাত অসিনচিংবা ষ্টেট খরা খুঙ্গং অমগা খুঙ্গং অমগা লম্বী ট্রেননা শম্নখ্রে, হায়বমক য়াই। মুম্বাইদগী অহমাদবাদ ফাওবা বুলেট ট্রেন চেন্নবা থৌরাং তৌরি, থবক পায়খৎপা লোইশিল্লক্লে; দিল্লিদগী পত্না য়ৌবা ফাওবা বুলেট ট্রেন চেন্নবা ৱাতুপ্নখ্রে। দিল্লিদগী মতমগী খুদোংচাবা কয়া ফংবা ট্রেন অমা বারানাসি ফাওবা চেনবা হৌখ্রে। মতাং অসিদা ঐখোয়না হায়নিংই, মদুদি য়োৎকী মী শ্রীপটেলনা অপূনবা ইন্দিয়া অমা শাগৎপদা লৈবাকমচা কয়াবু ভারত্তা খোপচিনবা মতমদা হরাওবা পোক্ল খিবা অদুগুম্না ইন্দিয়াদা তিনখিবা লৈবাক কয়াগী য়াইফ থৌরাংগী থবক পায়খৎপগী মতাংদসু পূক্নিং চঙহন্নিংবনি। মদু উবা ফংদে। ইন্দিয়াগী নেসনল লিদরগী মীৎয়েং হোংবা য়াম্না তঙাইফদবা অমা লৈ। মদু খঙনা পোলিটিক্স তৌবা তাবনি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মরুওইনা মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, মেঘালয়া অমসুং অরুনাচল প্রদেশ অমদি সিক্কিম চীং লৈবাক্নি; অদুবু ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেটনি। উত্তর প্রদেশ, বিহার, গুজরাত, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্রা, পঞ্জাবতা বৌ ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনা ফংবা রাইট অদু করি অমত্তা তাদনা চপ চানা মণিপুরদসু ফংহনবা তাবনি। মণিপুরদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওইসু চারগা হিংবা মীনি। চাদবা য়াদে, ফী শেৎতবা য়াদে। অদুঙৈ য়ু এন সীনা কৌখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ নুমীৎ ১০০ হেন্না চথখিবনি, থুম পেকেট ( কেজি) অমদা লুপা ১৫০ ফাওবা য়ৌখিবনি। মতম অদুদা ইন্দিয়া মচা কনা অমত্তনা থুম চারা অমা ফাওবা পীজখিবা লৈতে।

মণিপুরদা চান থক্লবা চীঞ্জাক, শেৎন-ইন্নবা ফিরোল, হীদাক-লাংথক (মীগী, শা-ষনগী) য়েন-মচিঞ্জাক, য়েনাও মচা, য়েরূম, ঙা, লৌউ-শিংউগী মরূ-মরাং, তিলহাৎ হীদাক অমদি য়ূম-কৈ, বিল্ডিং শানবা পোৎচং য়োৎ, জীজ্ঞ, বিলাটিমাতি, পেট্রোলিয়ম পোৎথোক ( পেট্রোল অমদি দিজল) অসিনচিংবা ঙম্নমক মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। দ্রাইভরনা মাল গাড়ী অমসুং টেঙ্করনা মণিপুরগী লাইফ লাইন (জিরি লম্বী অমসুং দিমাপুর-ইম্ফাল) ওইরিবা লম্বী অসিদা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লদুনা চিংলকপনি। মণিপুরগী দ্রাইভর অমনা লৌরিবা রোল অসি বোর্দর ঙাক্লিবা লান্মী অমদগী করি অমত্তা তাবা নত্তে। অদুবু লান্মীনা খুদোংথীবা, অশি-অনা য়াওবা মতমদা লৈঙাক্লা ফৈগাক ফৈনা লেপ্পী, ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। অদুগা দ্রাইভরনা অতোনবীগী মচা তাদুনা লৈহৌই।

চীং লম্বী লমহাংদা, জঙ্গল ফাওদুনা লাকপা, লম্বীদা গাড়ী য়ারক্তবা, টয়ার নুংশিৎ তারকপদা চাকা শিনবা, স্প্রিং তেক্লকপা, চীংনুংদা লেকপা তারকপা কয়া য়াওদবা নত্তে। চানবা চেঙ চাক লোইথোকখিবা মতাংদা চারা হেনবনা কোকথোং অমনি। লম্বীদা য়ারেকপা, চাক চাবা (থোংবা) ফরক তাবা মশীং খঙবা জাৎ নত্তে। মখোয়গী পুন্সি নোংজু-নুংশা লৈবা নত্তে, কুম্বী কালেন লৈবা নত্তে, নিংথমথা, কালেনথা নাইবা নত্তে। দ্রাইভরগী পুন্সি কৎথোকপনি, দ্রাইভর অশেংবা মুনী অমগী পুন্সিগা পাঙ্খকনি। মখোয়না চৎপা লেপ্পা য়াদে। বোধ ভিখুগুম্বনি। বোধগী ''কাল চক্র''- লেপ্পা লৈতনা উংদুনা লৈরি! দ্রাইভরনা ষ্টারিং থাদোক্লবা লোইরে। মণিপুর চারা হেনবা তাবনি। থাও (ওইল) টেঙ্কর অসামদগী চিংলকপনি। অসামদগী থাও পুদুনা লাকপা লম্বীদা দ্রাইভরনা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লবা ঙাক্তনি। অহিং মিংশেন খাঙদুনা মণিপুর তম্না চিংদুনা পুরকপনি। অদুবু মণিপুর য়ৌরকপদা দ্রাইভর কনা অমত্তা নুংঙাইবা-পূক্নিং লুম্বা পোক্তে। নে তানা গাড়ী থৌবা ঙমদে, লম্বীদা করি থোক্লগবা মপূক্নিং লাংতক্লে, চিংনবা পোকই, পূক্নিং লুমদে। লম্বী ফত্তে, চীং নিংখাইগল্লি, তোয়না। লম্বী-সোরোক্তা য়ুম শাজিন্নৈ। লম্বী পীকই, চীং লম্বীনি। য়েন্নাও মচা অমা, হুইনাও মচা অমা শোয়বদগী তক্লুরবা ৱাথোক ওই, কোংবা তাবনি। ৱাকোংনৈ। দ্রাইভর কনাসু ককচেং ফাওবা তক্লিংবা লৈতে।

লম্বীদা কনা থেংনগনি তম্বা ঙমদে। মখোয়না শকখঙদবা নোংমৈ পায়বা থেংনগনি খনবদা চনিং তানা গাড়ী থৌবা ঙমদে। মখোয়না থাও, পেট্রোল অমদি দিজল করিগুম্বা চিংলক্তবা, মণিপুরদা গাড়ী চেনবা লেপ্পা তাবনি, মৈ মম্বা তাবনি, লৌউ-শিংউ লেপ্পা তাবনি। ওটো-ইঞ্জিন পানবা গাড়ী, কারনচিংবা গেরেজদা ইনশিনবা তাবনি। মমাঙঙৈদা থাও ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লবা লৈখ্রে।

নেসনল হায়ৱে- ইম্ফাল-দিমাপুর রোদ- হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীনবা মীয়াম্না ফনা লাউজৈ, তাবীগদবা লৈঙাক্লা তাবীবা কৌবা লৈতে অমসুং জিরি লম্বী শেম্বীনবা লাংই, লাউজৈ। কনাসু থৌশাবীদে। মসিদা পোলিটিক্স শান্নদুনা লৈ। ভোটতা এজেন্দা অমা ওইনা হাপ্পী। কান্নবা থোইনা লৈবা উদে, জিরি লম্বী অমসুং জিরি লম্বীদা থোক্লিবা ভুৎ অসি তখায়বা ঙমদ্রিবা, করি লৈবা জাৎনো? করম্বা ভুৎনো?

চেঙ-চাক চানা থক্লবা চিঞ্জাক পুরকপা ট্রক (মাল গাড়ী) অমসুং থাও টেঙ্কর কয়াদা জিরি লম্বীদা নুংবা, মক্রু, নোনেদা নোংমৈ কাপশিল্লকপা মশক খঙদবা নোংমৈ পায়বা মীওইনা থেংখাং কয়ানি। জিরি লম্বী ফত্তবা, থোং তেকপা, লানবা য়াদবা, চীং নীংখায়বা, লম্বী স্লিপ তাবা মদু দ্রাইভরনা অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লি। মসি কৈদৌঙৈ, করম কান্দা কোক্কনি, কনাসু হায়বা ঙমদে, খঙদে। লম্বী লমখাংদা নুমীৎ কয়ানি পন্দুনা লৈবা তাবা, তঙাইফদনা, মদুগী অৱাবা, খুদোংথীবা দ্রাইভরতনা মায়োক্লরি। মণিপুরদা দ্রাইভর ওইহৈবা শিনফম নত্তে। অৱাবা পুন্সিনি।

দ্রাইভরনা লম্বী অনী অসিনা লম্বী ফত্তবগী মথক্তা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংথিবা, মীওৎ মীনৈ, খাঙবা ঙমদ্রবা মথৱাই শোক্লবা দ্রাইভরশিংনা কুমজা ১৯৯০গী জন্যুৱারি ১৪দা কোইরেঙ্গৈগী এয়র ফিল্ডদা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি চুপ্না সত্যগ্রহ খোঙজং চঙশিন্দুনা পেন্দবা ফোঙদোকখি। দ্রাইভরগী খোঙজং অদু পাউ হেক তাবগা সমাজবাদি লুচিংবা আই তোম্পোক (লোহিয়াবাদী) মতম অদুগী হোম মিনিষ্টর কোইরেঙ্গৈদা চেল্লকখিবনি। অদুগা দ্রাইভরগা উনরখিবনি। মখোয়গী অৱা অনা হংবীখিবনি। মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর্স, দ্রাইভর য়ুনিয়নগী লুচিংবা ভুপেন্দ্র ঘোষ অমদি দ্রাইভরশিংগা ৱারী শানখি। মখোয়গা কুপ্না ৱারী শানরগা মখোয়গী অপাম্বা মতুংইন্না মতম অদুগী নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরবু ইম্ফালদা কৌরগা দ্রাইভরগা হকথেংননা উনহনখি অমসুং মণিপুরগী দ্রাইভরনা মরুওইনা দিমাপুর লম্বীদা অৱাবা, খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লরিবা অদুগী মতাংদা ৱারী খঙহনখি অমসুং শান্তি ওইনা শস্তাইনবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা শ্রীআই তোম্পোক্লা অচৌবা মতেং পাংখি। দ্রাইভরবু হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংবা, ৱানা লমশাং লাকপা দ্রাইভরবু ধমকা তৌবা, মরম চাদনা ফু চৈবা, চেক তৌবগী মীংদা শেল খাইবা, নুমীৎ অদুদা ৱাখল তানবা অমা পুরকখি। মদু দ্রাইভরগী মায় পাকপনি।

অদুবু ঙসি নেসনল হায়ৱে অনী অসি চৎপদা অপনবা লৈত্রবরা নৎত্রগা লম্বী ফরবরা? নুংঙাইরব্রা? মদুগী ৱা লৈতে। য়োং তাৎনি। হিংচাবীগী শরী ৱাশকনি। কুমজা ১৯৯৪গী জুন থাদা জুবজা (নাগালেন্দ) দা মশক খঙদবা মখুৎতা খুৎলায় পায়বশিংনা হেন্দিমেন অমা (মহাক মহৈ তমজরিবা ছাত্রনি, স্কুল ছুটি মনুংদা গাড়ী চৎপা য়াওজবনি) মহাকপু মীনুংশি লৈতনা তমথীনা হাৎতোকপীখি। মদুগী পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা মাল গাড়ী (ত্রক) অমদি থাও টেঙ্কী গাড়ী কয়ানা ইম্ফাল সহরগী অকোয়বা শিনবা থুংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা গাড়ীগী খোঙচৎ অমা চৎখি। অদুগা ত্রক অমদি টেঙ্কর লিশিং অমনা নুমীৎ ৯নি চুপ্না কোইরেঙ্গৈ এয়র ফিল্ডদা গাড়ী থৌজিন্দুনা দ্রাইভর হাৎপা য়ানিংদে হায়না অকনবা সত্যগ্রহ খোঙজং অমা চঙশিনখি। মদু মণিপুরগী পুৱারীদা মুৎনাইদনা লৈহৌরগনি। অদুবু মদুনা দ্রাইভর হাৎপা, ফুবা, ওৎপা, নৈবা লেপ্পা লৈতে। মতম খরা লৈরগা তুমীন্না অমুক হেক্তা থোরকই। মকোক কল্ল-কল্লগা হেক্তা চোংখৎলকপা রাবনগী মকোকনি। কুমজা ১৯৯৮দা অসামদগী পেট্রোল চিংলকপা গাড়ী অমা চাকু -মৈ (নাগালেন্দ) দা খুৎলায় পায়বা শকখঙদবা মীওইনা খাল্লগা মৈ থাদোকখি। থাও-পেট্রোল গাড়ী মৈ থাবা কনাগী মাঙজবনো? জাতিগী মাঙজবনি। মসি য়াম্না তৌহৈদবা থবক্লি। পাপকী মশকনি। মদু মণিপুরগী পুৱারীদা শকখঙদবনা লম্বীদা গাড়ী খাল্লগা থাও টেঙ্কী মৈ থাবা অহানবা থৌদোকনি। মদুনা দ্রাইভরনা মপাঙ্গল ফুদোকপা ঙমদনা মথম্মোয় খুদুম শুদুনা, মখায়াৎ চিক্তুনা, মমিৎ ঈরা চেন্দুনা খাঙখিবনি, মহাক ও খোঙনা হেক কপনিংবা জাৎনি। মানা থৌজরকপা গাড়ীবু মমাঙমক্তদা মীনা লম্বীদা খাল্লগা মৈ থাবা করম্বা দ্রাইভরনা মথৱাই নুংঙাইগনি? মহাক্কীদি গাড়ী অদু মথৱাইগুম্বনি। অমুক চহী অনী তুমীন লৈরুরগা কুমজা ২০০০গী দিসেম্বর ৩১, চহী লোইবা বাই বাই নুমীৎতা, ময়ুমদা মচা-মশুশিংগা পুন্না বাই বাই পাঙথোকপা নংনবা ৱাখলদা থৌরকপা থাও পুবা টেঙ্কর অমা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই ৫/৬ না মাও খরা হেন্দোক্লকপদা গাড়ী খাল্লগা মৈ থাদোকখি। মথং চহী ২০০১গী জন্যুৱারি ২৩ নেতাজী সুভাসচন্দ্র বোসকী মপোক নুমীৎতা সেনাপতিগী লাইরৌ চীংগোলদা কেমোফ্লাস ফিজোল শেৎপা মখুৎতা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা মীওই ৩০ মুক্লা নোংমৈ চিংদোন্দা পেট্রোল অমসুং দিজল চিংলকপা গাড়ী ৮বু লোকখাদা পুল্লপ ইন্থখি। গাড়ী অমনা লম্বী মথক্তা মৈ থাদোকখি। মদু মীয়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখি। লৈঙাক্লা করি থবক লৌখৎখিবা হুরানবা মতুং মৈরিংবা! মখা তানা অমুক থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াবা থোইদোকপা লৌখৎপা লৈখিদে। গাড়ী মৈ থাবা নৎত্রগা লুৎ তৌবা কাঙবুগী রুতিন প্রোগ্রাম অমা ওইনা চত্থরকপা, ঙসিসু অথিংবা লৈতনা চত্থরি। মসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা কাউ থাবগুম তৌবা মতৌ উই।

লেপ্পলগদরা খল্লি, লেপ্পা লৈতে, চহী ২০০১, মার্চ ৮ অমুক মফম অদুমক্তদা য়াম্না উশিৎতবা মওং অমদা থাও চিংলকপা টেঙ্কর গাড়ী ৭৫ দা খঙহৌদনা নোংমৈ, বোমনা লান্দারকখি। মদুদা টেঙ্কর গাড়ী ১৫ মৈনা তুম্না চাকখি। দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন কয়াসু অশোক অপন নংখি। মখোয়গী মরাল করিনো?

থৌদোক অদুদা, হেন্দিমেন জিৎ বহাদুর শিখি। মহাক মশাদা নোংমৈ মরূ কয়া পানখি। জিৎ বহাদুর আই টি রোদ খুঙ্গংদগীনি। অদুগা সেকেন্দ দ্রাইভর রাজকুমার শর্ম্ম কৌবা অমনা বোমনা পানবদগী লায়েংবা ঙমদনা জে এন হোস্পিটালদা লৈখিদে। অসুম্না ঙসি ফাওবা ত্রক অমসুং থাও চিংবা গাড়ী দ্রাইভর (৩০০/২০০) ৫০০ গী মথক্তা লম্বী অনী অসিদা পুন্সি পীখম্নখ্রে। থাও পুবা ত্রক থৌবা দ্রাইভরগী ইমুং মনুংগী নুপী অঙাংগী মীৎতগী তারকপা পিরাং লোইবা খম্বা লৈতনা চেন্থরি। করম্বা মতমদা মখোয়গী মীকপ মীরাওখোল লেপ্পলক্লদবা তম্বা ঙমদে!

অপাম্বা: দিমাপুরদগী কোহিমা লম্বী ককপা হৌখ্রে, পাকথোক চাউথোক্লবা ৱার ফুটিংদা থবক পায়খৎলি। মাওদগী কোইরেঙ্গৈ অমসুং জিরিদগী কৈথেলমানবী ফাওবা লম্বী পাকথোক-চাউথোকপা ফোরলেন ওইহনবা, মীয়ামগী অপাম্বনি। মতমগী দাবীনি।

ৱারোইশিন : ইম্ফাল-দিমাপুর অমসুং ইম্ফাল-জিরি লম্বী অনী অসি নেসনল হায়ৱেনি, মণিপুরগী লাইফ লাইনি। লম্বী অনী অসিদা মী হাৎপগী কলচর, শেন্দানফম অমা ওইনা মতম শাংনা চৎথদুনা লাক্লি, দ্রাইভরগী পুন্সিবু খোঙ্গোইনরি, মনতিক্লরি। দ্রাইভরগী থৌদাং থবক, শকখঙবীয়ু, মখোয়সু মীনি। মীবু মীনা হাৎপা, তুপ্পা অৱাবা পীবা ওৎ-নৈবা লেপ্পলসি, ঐখোয় পুন্না হিংমিন্নসি!

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*